## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫

১) “কালোভ্রমর” হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা দিটেক্টিব নোভেল অসি মীয়াম্না পাম্নখিবা মমিং চৎপা লাইরিকনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) করম্বা চহীদা মণিপুরীবু কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিগী মেট্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক রিকগনিসন পীখিবগে?

৩) “ঐ ইশাগী য়ূমদা ইশাগী ইশ্মোলদা / লৈরি য়ূমতাংবা অমগুম / ইরোল-ইরী ফাওনদবা / অতোপ্পা গ্রহ অমদগী লাক্লগা থুংলবগুম / ইমা ইচা শকখঙনদনা / মীৎনা উনা উনা মরীসে / শকউদবা পল অমনা ৱাংনা খাগৎলি / কৌন ঙাঙনবা তানদনা।” শৈরেং মতেক অসি নহা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনরবী অইবী অমগী শৈরেংদগীনি। অইবীসি কনানো, করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) মণিপুরীদা ইথোক্লবা “পরিক্ষিত” হায়বা লাইরিক্তুদা পরিক্ষিত নিংথৌদা শাপ তৌখিবা মুণি অদু কনানো অদুগা পরিক্ষিত নিংথৌদা চিকখিবা লিলদু কনানো?

৫) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল ফংখিবা য়েংখোম বিহারীনা ইবা লাইরিক্তু মমিং করি কৌবগে অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবীরকখিবদি

***১) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল***

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪গী ৱিন্নর

**থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল**

লিটরেরি ক্যুইজ ৪গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম নবেম্বর ০১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪গী পাউখুম

১) (ক) *“কয়াম ৱাৎলি লমদমদো, কয়াম ৱাৎলি য়ৌরনিদা লাপ্তুরে, মাঙদা চখৎলু মাঙদা চখৎলু”*
(খ) *“অনৌবা য়ুগকী অনৌবা আশা পুদুনা লাক্লো নহারোল লাক্লো নহারোল”*
ঈশৈ অনীসি গ্রুপ শকমিন্নবা ঈশৈগী ইহান হানবা গ্রামোফোন রেকোর্দ লৌখিবা (মনিং মমায় ওইবা) ঈশৈনি হায়না রেকোর্দ তৌরিবা শক্লাইরবা শৈশকপা অমগী ওটোবাইওগ্রাফিদু মমিং করি কৌই অমসুং অইবদুনা কনানো? : **“মতম ঈশৈ অমদি ঐহাক” অইবা - অরিবম শ্যাম শর্ম্মা**

২) *“কনাগী লৈকোলদা শাৎপীনো করম্বা মালিগী খূৎশেমনো”* মীয়াম্না য়াম্না পাম্ননা তানরবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসিগী শৈরেংবসি কনানো? : **টি থোইবী দেবী**

৩) শক্লাইরবা এদুকেসনিষ্ট অমসুং লুচিংবা অমনা ইরম্বা অমসুং মশা লৈখিদ্রবা তুংদা ফোঙবা নোভেল অমগী মমিংনি ‘পীশুম্লৈ’ হায়বসি। অইবসি কনানো? : **নিংথৌখোংজম তোম্বী সিংহ**

৪) “হরাওজখিবা অমনা ভোইস ওফ অমেরিকাগী কাঙবু লাক্লগা লাই হরাওবগী ঈশৈ তোম্বীনৌগী খোঞ্জেলদা লৌরগা শন্দোকখিবদো। মদুনা ভোইস ওফ অমেরিকাগী ইন্দিয়াগী থৌরম হৌদোক্লে হায়রিবনি” মমিং চৎলবা লমকোয় ৱারী অমদৈ লৌথোরকপনি। করি লাইরিকনো, কনানা ইবনো মমিংশিং হায়য়ু। **“হো মেক্সিকো” অইবী - এম কে বিনোদিনি**

৫) পঞ্জাবী অইবা কর্ত্তারসিং দুগ্গলগী ৱারী মচাগী খোমজিনবা লাইরিক ‘ইক সিট চান্নন দি’ হায়বসিবু ‘থাবলগী চৈনা’ হায়না মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা ত্রান্সলেটর অদু কনানো? : **সুব্রাম**

ৱারী ককনাউ

## ঐখোয় তাইবুংঙো

“তাইবুংঙো লেংঙকই, তাইবুংঙো লেংঙকই...” মপান্দা ৱা-ৱা হেক লাউনৈ। ঐদি কোকসি চিক্লি-চিক্লি তৌই হায়দুনা ফি অমা য়েৎশিল্লগা হিপ্তুনা মোন্দ্রং শানরগা লৈবনি। মোন্দ্রংগা পুমকাই হেক কাই, মপান্দা লাংনরকপদুদা। ঐ ঙকসি থাঙ্গৎতুনা হায়রপ তাই। তাইবুংঙোদু হায়জ-নোঞ্জ মতম য়ৌরক্তনা লাকপা ওইবজাৎনি। তাইবুংঙোবু লাক্লবদি অঙাংসু কৈসু কপ্পগা লোইনা তোকপা ফবজাৎনি। মরমদি তাইবুংঙো হায়বসি, অঙাংশিংদসু অদুক য়াম্না পোপ্যুলর ওইদে, মোইনগা অমুক্তা উবা ফংবা মী নত্তে। চহী মঙা-মঙাগী মতুংদা হেক-হেক লাকপনি। মরক্তগা লাকপগদি লফু ওইনা য়ুংনরিবনি। অদুনা অপিকপা লৌশিং য়াওদ্রিবা অঙাংশিংনফাওবা তাইবুংঙোসে কৈনো মথোং খঙদনা য়েংনীংবা অমা ফাওই। হৌজিক্তা মাঙ্গোলদা অচাপোৎ য়েন্নবদা মানা য়াম্না লৌই-লৌদে হায়না নীংঙাই তৌদুনা খৎনবদগী শিথ-শিথ কপ্লম্বা ইশু অতোনবা অদুসু ময়াম্না তাইবুংঙো লাক্লে হায়দুদা কপ্পা তোক্লগা খোঙ্গ্রাও মখূৎনা চিংখৎলগা থোঙ্গালদা চেন্থোকখ্রিবনি।

ঐগী নুপীনা ইমুংদা প্রপ-প্রপ চেনশিল্লক্তুনা, হোবে-হোবে শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোন্দুনা হায়রৈ,

“ঙাইহাক্তা হৌগৎলকউ, তাইবুংঙো লেঙলক্লি”। ঐ খুমদে, নুপীনা মখা তারকই-

“মী মথৌ য়াম চিনবা তাইবুংঙোনি, মশাসি শক্তিনা পুময়োম য়োন্মগা লাক্লিবনি। শক্তি ময়ামসিনা তাইবুংঙোসে মশক্কা পুম-ওন ওল্লে। নশক্তু উৎলরো লাউ, মাগী শক্তিদু খজিক খাইরম্বদা ঐখোয় য়াইফদুইনি”। ঐগী নুপীনা হায়রিবা ৱাদু ঐদি কয়া তানীংদবনি। অদুবু চীনদি খুমদে। মপান্দগী খোঞ্জেল অমা তারকই।

“মনি, মনি, থম্বাল, থম্বাল.... কাই-কাইদা চৎখ্রজাৎনো? লাউনে, ঐখোয় তাইবুংঙো লেঙলকইনে নোইবো, পঙখ্রেদকো” মপান্দগী লাউরক্লিবদু লৈকায়গী মেম্বর ওইবী ইনে চাউবীনি, মখোল খঙই। ঐগী নুপীনা চেনচৎ চৎলগা খুমখি,

“তারে-তারে...”

ঐ হৌগৎলে, মপান থোরক্লে। তাইবুংঙোদুদি মওং অমা তৌরম্মে। শাধু শঙ্গগা য়াম্না তৌবগী টাইপনি। ঙসি তাইবুংঙোনা লেঙবীরকপদা শেৎ চারিবা, মমায়দা থিল্লিবা কেশরি চন্দোল, খাওন ওল্লিবা লেংয়ান ওন্থোক্লা মচু তাখ্রে। তাইবুংঙোসে শাইওন অমনি। ঐবু উবদা তাইবুংঙোনা ফল্লম্বদগী ফুক হৌগৎতুনা, ইমুংদগী থোরকপা ঐবু তরাম্না ওকপীরি।

“মনি, জয়-জয়...” লেপখু খুরুম্মকই। ঐসু ওকই,

“জয়-জয়...” তাইবুংঙোদু ৱারী য়াম্না মখা চথৈ, ঐদনবু কয়া তাদবনি। ঐখোয় নুপীগা ওনশিন-ওনশিন্নদুনা কৈ-কৈনো য়াম্না হায়নরি। ইচা থবক তৌদবগী, তৌহন্নবগী, শেন্থোক লৈতবগী, লৈহন্নবগী। তাইবুংঙোনা আশা য়াম্না পীরি, হন্দক্তি ফক্লাংদা লৈতুম্না থোম্বগুম্বনি তাকপীরি, মদুদা ঐসু ঙক নোমদুনা মতৌ মালহল্লি। ঐখোয় নুপীদি হেক্তা পাকথদনা তারি হায়বা তাইয়ে। তাইবুংঙোসু ফুরিৎখাওদা হেক য়াওরকপদু ঙাই, জোরো-জোরো ঙাঙই। মানখ্রবা ঐখোয় তাইবুংঙোনি। অদুনবু মা নম্বা ঙম্বা চহী তরামঙাসিদা এ সীসিদা মী অমত্তা থোরক্ত্রিসিনি।

ঐখোয় তাইবুংঙোগী ৱাঙাঙদা, মহাক অসি য়াম্না ধর্ম্ম-কর্ম্ম লৈবা, লায়র-অনং কয়া মতেং পাংবা, তোল্ল-তারবা কয়াগী মরুপ ওইবা, হুরান-চিন্থি তৌবা, চিঞ্জাক ফত্তবা চাবা কয়াবু লাপ্পা ইন্থোকপা অমা ওইনা লৈকায়গী মতুং ইন্নরকপা ময়ামদুদা ৱারী শারি। অদুবু ঐদি হন্দক থা অমুক্কী মমাঙদা ইম্ফালগী মফম অমদা ঐখোয় তাইবুংঙোনা য়ু তপ তাখৈ ঙাওরগা চৎপা ফাওবা হেক ঙমদবমখৈ ঈশৈ শকফম অমদা মশক মতৌ ফজবী শৈশকপী অমগী মকোক মতোন্দগী চাম্মঙা চৎপী মপুন অমা উৎ-ৱাই চাইবগুম চাইবদু মীৎতা শং-শং উরি। নুমিৎতু ঐ গাড়ী ফংহৌদবদগী ইমান্নবা অমগী ময়ূমদা লেকপনি। মানসু ঐখোয় লৈকায়দা ঈশৈ তৌদৌরি তাখ্রসি হায়দুদা। নুমিৎতুদা ঐখোয় তাইবুংঙোনা য়ু ঙাওমন্দুনা শেল চাইরম্বদগী নুপীদুদা তুশিনখিবদুদা ময়াম চঙদুনা ‘হাৎলো’ ‘নেৎলো’ হায়না লাউনরকপদগী মাগী সিফাই ময়ামনা নোংমৈ উত্তুনা ময়াম তানথোকখ্রগা চপ্পগা পুথোকখিবদু মীৎসিদা শং-শংনা উরি। অদুগা ঙসি ঐখোয় তাইবুংঙোনা শেৎতোক-চাথোরক্লিসিগা ঙাঙলি-শক্লিসিগা য়াম্না খেন্নরম্মে, অদুদনি ঐনা ঐখোয় তাইবুংঙোসি শাইওন য়াম্না পুবা হৈবা মীশক অমনি হায়না হায়জরিসে।

ৱারী ঙাইহাক তৌরবা মতুংদা ঐখোয় তাইবুংঙোনা হন্দকসু শোয়বা য়াদেকো হায়না হায়রম্মগা লুপা লিশীং অমা শৎলগা ঐখোয় নুপীদা পীরম্মী। ঐনা নুংশিমন্দদনা হায়রুই,

“তাইবুংঙো হন্দক্তি ভোট হেক কাবগা ঈশৈ তৌসি”

“ঈশৈদা নত্তে, নোইনা হেক পাম্বদু লীলা খঙদে, সিনেমা খঙদে তৌদৌরিনি, অদুগীদমক্তা কৈমতা খল্লুনু”

“তাইবুংঙো ঐদি ঈশৈ ওইনা পাম্মী”

“য়াই য়াই”

“নহান নোংমা ইম্ফাল সাবল লৈকায়দা ঈশৈ তৌবদা ঐখোয় তাইবুংঙোনা শেল খিকথবদুদি ৱা! হায়সিনি, মদু অমুক্তা হন্দবা য়াদ্রে” তাইবুংঙোদু শ্বাই লাউজাৎনি, ঐঙোন্দা শৎ লাউনা মরৌ লৈনা য়েংলক্লগা,

“নঙদি কাইদা উরিবা?”

“ঐসু নুমিৎতুগী ঈশৈদু লোইবা ফাওবা তাই।”

তাইবুংঙোদু ইক-আক-ইক-আক তৌরগা অদুম থোকখ্রে। অদুবু মা মখা তানা ঐবু ৱা ঙাঙদনবা মাগী মনুং হুৎপা মীৎয়েং অদুমদি য়েংলমখি। ঐনা থম্মোয়দা নোক্লগা লৈহৌই।

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

# ‘থবক হৌবা’ - মায় পাকপইদমক কয়ামুক মরু ওইবনো?

বি এ তম্লিবী ইচানুপীদুনা নোংমা হংখি ... ‘ববাচৌ! নঙনা নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা ইরিবসি করম্মাইনা ইরিবনো... ৱাহৈশিংসি মতোমতা অদুম থোকচরকপরা ... ইনবগী ইথিল (ইন্সপিরেসন) দুনা কদাইদগী লাকপগে’...? লায়না হেক্তা খুম্বা য়াবা ৱাহং নত্তে। করেম্ননা হংবা নত্তবা, সিরিয়স ওইনা, খঙনীংনা হংলক্লিবা অঙাংদুদা শেমজিন-শাজিনবা পাউখুমদুসু পীনীংখিদে। ৱারেং/শৈরেং/ৱারী মচা ... দ্রামা নৎত্রগা নোভেল অমা করম্না ইবা তমগদগে হায়বদুগী ‘সিয়োর সক্সেস ফোর্ম্যুলা’ অমা লৈবসু নত্তে। ‘শৈরেং করম্না ইগদগে’ হায়বদুগী ত্রেনিং তৌফম, ত্রেনিং সেন্টর অমা লৈতবগুম, ৱারেং ইবা তম্ফমসু লৈতে। ইচানুপীনা হংলক্লিবা ৱাহংদুগী ‘রেদি-মেদ-অন্সর’ ঐগী ইফমদা লৈখিদে। অদুবু, পাউখুম অমা পীদা য়াদবদগী হায়খি - ‘লাইরিক মখল শুনা পাউ, লাইরিক চীলহাও থিগনু, লৌশিং পুক্কে (ষ্টোর হাওজ ওফ নোলেজ) শেমগৎলু ... ইবা হেক্তা হৌ, করম্না ইগদগে খল্লুনু, ইদ্রবদি ইবা হৈরোই’...।

‘ৱাফম অসি অচুম্বা নত্তে’ - হায়রকপা য়াই কনাগুম্বনা। ঐগা লুনা তিন্নবা মরুপ মপাং খরনা হায়... ‘ঐনা খঙবা, হৈনজবা হীরমসু ওইরিবা করিগুম্বা অমদা ইদ’ য়াদবা তানফম অমা লাকপদা ইগে হোৎনরুবা মায় শুকপাক পাকখিদে... ইর’ ককথৎ, ইর’ ককথৎ চেবাং কয়া অরেম্বদা মাঙখি; নুমিৎ কয়া হোৎনর’সু ঙমখিদে’...। অদুগা, পীথোরকপা গুন’না লৈতেংই হায়নবা কনাগুম্বা অমনদি তেল্লবা মতমগী মনুংদা অচৌবা কাব্য/মহাকাব্য কয়া ইরম্মী। ইবা (রাইটিং) হায়বসি ‘ক্রিয়েটিব এক্সর্সাইজ’ অমনি, ক্রিয়েটিব ওইদবা/ওরিজিনেলিটি য়াওদবা কনাগুম্বা অমনা ক্রিয়েটিব রাইটর কৈদৌনুংদা ওইরক্লোই... ক্রিটিকেল থিঙ্করশিংনা হায়।

ইবা পামজবা, ইবদি ঙমদ্রবশিংনা হায়, ‘ইনবগীদমক ইন্সপিরেসন তঙাইফদবা অমনি, ইন্সপিরেসন ফংনবা ইশাদা য়াওরিবা স্পিরিট অদুনা ঐবু য়াকায়হল্লক্কদবনি’। মায় পাক্লবা অইবশিংনা অমুক হায়, ‘অইবা অমবু য়াকায়হন্নবা অখন্নবা স্পিরিট অমা মীওইবদা য়াওদে ... মীওইবা খুদিংমক্তা য়াওরিবা পূক্লিং অমদি মাগী শক্তি (মাইন্দ ফোর্স) অদুনি ইন্সপিরেসন’।

য়েস! মাইন্দ - ফোর্স তেক্নিক হায়বা অদু ওইবা তাই - করিগুম্বা খরা ইনীংলকপা, ইরগে খল্লকপা মীকূপ অদুদা, অমুক থীন্থরবা তৌদনা ‘ষ্টদি-রুম’দা চঙলগা চে-কলম পায়খৎলগা ইবা হৌবা। অহানবা-ইবা ৱাহৈদু ৱাখলদুগী মমিনি। চে’দা মমি তাখ্রিবা ৱাহৈদুদা মথন্তা, হৌনরুবা তৌদনা ৱাখলগী ঈচেল চেন্থরক্কনি। মীওইবা কৌবা মেছিনসিগী পূক্লিংনা অমা, ৱাখলনা অমা, ৱাহৈনা অমা তোঙান-তোঙান, মান্নদবা লম্বীদা চৎনবা ওইথোক্তবা অমনি। মরম অসিনা ঐগী মাঙদা তারিবা অঙৌবা চেবাঙ অদুদা ইথোকখ্রিবা ৱাহৈদো, মীকূপ্তুদা খনখিবা ঐগী ৱাখল অমদি মীকূপ্তুদা ওইখিবা ঐগী পূক্লিং অদুগী তশেং-তশেংবা শক্তম অদুনি। সাইন্স’নসু প্রমান তৌদুনা উৎখ্রেদনা - মীওইবনা খনখিবা/নীংখিবা ৱাখল অমা ৱাহৈগী শক্লোন ওন্থোক্তুনা ইশিন্দুনা থমখ্রবা, ৱাখল অদু নীংশিংবগী লামায়দা লাচন্দুনা ফনা কুইনা মূৎনাইদনা থম্বা ঙম্মী। ইশিনহৌদ্রবা ৱাখলদুদি অহাঙবদা লৈচিল মফোল তুমখিবগুম অকাউ পরৈ থুনা চনখি।

অদুগা ইশানা থেংনরকপা এক্সপরিয়েন্সতগী, ৱাফম’সিমগা ঐহাক চিংনদনা হায়বা ঙম্মী মদুদি - চে অমদি কলমগা থানদবা মরুপ ওইনা লোয়নবা হৈখ্রবা মহাক অদুদি চরাঙনবা মীরক্তসু ৱাখল-লীক্লম কায়হন্দনা খনবা ঙম্মী। ৱারেংসিগী অহৌবদা পঞ্জখিবা, ইবা-পাম্বা-ইবা-ঙমদবা-মীশিংনা হায়জবা ‘স্পিরিটপু য়াকায়হনবা’ হায়বদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি ‘চে অমসুং কলম পায়খৎতুনা ৱাখল পরীং অদু ইবা হৌবা’। করিগুম্বদসু থেংনরক্কনি - ইগে খন্না ফমথখিবদুনা ৱাখল অমা, ৱাহৈ ওইনা থোক্লক্লিবা পরীং অদুনা পূমতোপ তোপ্পা অমা। ইবা হৌখিবা ৱাহৈ খরা অদুনা ঐগী পূক্লিং-ৱাখলবু আ লীক্লম অমদা অদুম পুদুনা চৎখিনি। থবক হায়বসি হৌবা অমা নাইদনা লোইবা হৌনদবনি - মহৌশাগী নিয়মনি। অনৌবা মোটোর কারশিংদা পাল্লিবা, মশা-মথন্তা-শিনজবা (ওটো) ‘গিয়র’ অহানবা গিয়র অদু পান্দুনা থৌবা হৌরবা মতুংদনি, চৎলিবা স্পীদ অদুগী মতুংইন্না চানবা গিয়র-লিভর অদুদা মশা মথন্তা হোংদোকচখিগদবা। মীওইবগী ‘পূক্লিং ৱাখল’ অদুগী পোথোক্লি।

শাংলবা খোঙচৎ অমগী পম্বুং য়ৌনবগীদমক খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি অহানবা খোঙথাং অদুনি। ৱাখলদুনা শাগৎলিবা অচৌবা মঙলান অমখক মঙফাওনহন্নবা খ্বাইদই মরু ওইরিবসু থবক হৌবা অদুনি। থবক্তু মপূম ফাহনবা ঙম্নি/ঙম্লোই ৱাখলদা লম্মুক্নবা হৌরুরবা, থবক অদু কৈদৌঙৈদা তৌ’ঙম্লোই-কাউগুমসি। করম্না থবক হৌসিগে? কৈদৌঙৈদা খল্লুনু। ‘থবক হেক্তা হৌ’ - প্রিন্সিপল (ৱাখল্লোন) অসিনা লমজিংলগনি - ঙসিগী লৈঙাক অসিনা ‘ষ্টার্ট-অপ-ইন্দিয়া’ প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রিবা। ‘দি ইজিয়েষ্ট ৱে টু ষ্টার্ট ইজ টু ষ্টার্ট’ - ঐনা ক্লাস সিক্স তম্লিঙৈ ওজা রাজমনিনা হায়খিবদু নীংশিংলি। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট’না শীনবা ‘ওল মণিপুর কলচরেল মীট’কী শৈরেং থিবই থৌরমদু য়াওনি হায়দুনা মিং পীখৎলুরগা, কিরক্তুনা ‘তোক্লগে’ হায়রুবদা হায়রকখিবনি। অকিবদু নমহৎনবা ওজা মোধু’না য়ূমদা লাক্তুনা হাপ্পীখিবা থৌনাদু ঙসি ফাওবা কাউঙমদ্রি। মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ওদিটোরিয়ম’দনি - মঙদা দোলাই তোংবগুম তরং চৎলবা ৱাখলদুনা মিনট অহুম ষ্টেজদুদা লেপখিবা ... ‘ববা! লাইরিক পাবসি তনখ্রেদা! মশক ফাওবা য়েংনীংদে ...’ শৈরেংগী অহৌবা পরেংদুনি। ষ্টেজদগী কূমথরকপদা তিন খ্রক-খ্রক কংখিবনি, মায়সি ঙাংশং ঙাংখিবনি। মতুংদদি ষ্টেজ-ফোরিয়া মাঙখরে।

‘নঙগী ৱাখলদা আইদিয়া অমা লৈরবা খুদক্তা থবক হৌ’ (পুৎ ইট ইনটু এক্সন, ষ্টার্ট অপ নাও) ... ষ্টার্ট অপ ইন্দিয়াগী ফিলোজোফিনি। পোলিটিকল স্লোগান নত্তবা, ফোল্লো-অপ প্রোগ্রাম অমগা ইরোইনরম্লবা করিগুম্বা, মী মহাম ঙাক্তনা থনবা ইন্দিয়াসি অচঙবা-মী ঙাক্তনা থনবা লম ওইরম্লগদবনি। কোভিদ-১৯ কৌবা শকউদবা মহীক অদু মায়োক্লরিঙৈ হৌরুরবা থবক কয়া মখা চথ’ঙমদনা চপ লেপ্তুনা লৈরক্লি। ‘থবক হৌহনবা’ নত্তবা, ‘মশামক্লা হৌজব’দুনি মরু ওইরিবা। ‘হৌজিক’ হায়বা ৱাহৈসি মীত্রং পুবা ৱাহৈনি, মায় পাকপই, কৈরাক্তুগী অহানবা অদুনি। ‘হোরেন/হয়েং/মথং-থা নৎত্রগা মথং-চয়োল’ হায়বা ৱাহৈশিং, মায় পাকপই মীনোক নোকখিদবা, মায়থীবতা নংখিবা মীনা শীজিন্নবা ৱাহৈনি। ‘নোংমদি শোয়দনা তৌগনি’ হায়বসি ‘ঐহাক শুকতৌ তৌররোই’ হায়বদুগা চপ মান্নৈ। ‘থবক্তু হৌজিক হৌরনি’ হায়রক্লবা, মায় পাকপা পাক্তবদুনা অমনি থবক্তুদি শোয়দনা তৌরগনি - উপনিষদকী ৱারীদা হায়রম্মী। লুপা চাম্মা তাল্লগা চনী খরচ তৌবা মীদুদা অসিগুম্বা ফিদম ৱারী ‘ষণ’দা গীতা থিবনি - শেন্দোলগী কোমদা পূত্থরবা মরুপ অমনা নোংমা হায়রকখি। ঐনা খুমখি ‘ইতাও! নঙগী অচৌবা অশোয়বসি ‘ঐহাক শেল পূত্থরবা মী অমনি’ হায়বা ৱাখলদুনা লাকহৎখিদুনা ‘শেল তুংশিনবা’ অমদি ‘ফিনান্সল প্লান্নিং’ হায়বদু ওইথোক্লরোইদবা অমনি হায়দুন’সুম খন’-লৈরে ... ৱাখলদু অমুক্তং কোক্তুদগী তান্থোকখো, কান্নদবা খরচ হন্থহল্লগা সেভিংস (শেল তুংশিনবা) ওইনা ওন্থোক্তুনা অমুক্তং লাইফ ষ্টাইল হোংদোকসি, য়েংসি, চহী খরই মতুংদা অহোংবা করি লাকপগে’...। মহাক, ঐতগী ৱা নত্তে, কনামত্তই মৱা তাখিদে। ঙসিসু হিংলি - অমদই পুবা শেলদুনা অমদা অমুক শিংদোকপা, মীগী শেন্দোয় হুন্নবা মশাগী হুমাংমল য়োন্থোকপা, অদুগুম্বা পুন্সি অমা শাগোন্নদুনা।

থবক অমা হৌনবা পুন্সিসিদা ‘থেংমনবা’ (তূ লেট) হায়বা পূংফম/তানফম অমা লৈতে। ‘অভয় চরন দে’ না মশাগী চহী ৬৯ শুরব’কান, জহাজ অমগী হিবান্দা, মশাদা শিকি লোয়নদনা চাক্লিবগুম চৎখ্রগা অমেরিকাদা ইন্টরনেসনল সোসাইটি ফোর কৃষ্ণ কন্সসনেস (ইস্কোন) লীংখৎলুই, ভক্তিবেদান্ত স্বামি (শ্রীলা) প্রভুপাদ হায়না খঙনরি।

*-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

### শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (৩শুবা)

# লোই থাবা

***(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা ‘শ্রীকান্ত’ পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)***

*ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবা*

(হান্নগী মখা চথ্খজরকপা...)

মোমোন নোক্লগা ঐনা হায়খি, “প্যারী, নঙনা ঙাঙলিবা ৱাঙাঙদুদি মনীংতম্বা ফংজদবী নুপীনা ঙাঙগদবা ৱাঙাঙনিনে। মদুদি নঙোন্দদি পকচদে।”

অঙাংবা মঙাল অমা প্যারীগী মায়থোংদা শন্দোকখ্রে। তৌফম-লাকফম খঙদনা মহাক মচীনবান চীক্তুনা চপ লেপ্তুনা লৈখি। ঐগী খাউদু লৌখৎকদবগী খূৎ তিংথোরকপা মতমদুদা মহাক থুনা চঙশিল্লকখি। অদুগা হায়জরকখি, “ঐবু থাদোক্তুনা চৎপিখিনু, - অসিগুম্বা ফীভম তাঞ্জা অমদা। ঐনা লানখিবা লৈরবসু চৈরাক পীবিয়ু, অদুবু ঐগী ইমুংগী মীয়াম মমাঙসিদা অসুম্না ইজ্জৎ শোকপা থবক্তদি তৌবিগনু।”

খাউদু থাধরগা ঐ চৌকিদা ঙেক ফমথরে। ঐনা চীংলেম্না হায়খি, “মতম লাক্লেদনা অরোইবা ৱায়েল তৌনবগী। ঙসি নুমিদাং নঙনা তৌখিবা অশোয়বা অদুদি ঙাকপিরবনি, অদুবু মসিমদি শোয়দ্রবনি, ঐখোয়নী লৈনরিবা মরীসিদি তৎনরবনি। ৱাফমসি ঐনা য়াম্না মুন্না খন্থরবনি অমসুং ৱারেপ লৌরবনি।”

“করি মরমগীনো?” খোঞ্জেল পিক্লা প্যারীনা হায়রকখি।

“অশেংবা ৱা হায়বা ঙমগদ্রা?”

“ঙমগনি।”

নুংশিজবা মী অমবু মথম্মোয় শোকহনবসি নুংঙাইতবা থবক্লি -হকচাংদা শোক-পনবদগী হেন্না চৈনা ফাওই। অদুবু ঐদি তৌরগে হায়না পূক্লিংদা চপ চানা লেপখ্রে। ঐনা হায়খি, “লক্ষ্মী, নঙ নশক য়াম্না ফজে, নরল লৈ অমদি মীনা কোয়তান তান্নৈ। নুপা কয়াবু নঙনা খুদুম চনবগী পাঙ্গল লৈ। মদুগী পাঙ্গলদুদি নঙনা কৈদৌঙৈদসু থাদোকপা ঙম্লরোইদবা ময়াই কনবা য়ুগা পাংখক্লি। নঙনা ঐবু নুংশি অমসুং ইকাই খুম্নে - ঐ মদু খঙই। ঐগীদমক নঙনা ময়াম অমা থাদোকপা কথোকপা ঙম্মি। অদু ওইরসু নঙগী মমাঙ মতমগী পুন্সিগী মতীক ময়াই নুংঙাইবা কয়াদুনা নঙগী ৱাখল মীৎয়েংদু মতম পূম্বদা মচু শঙদুনা লৈগনি। মদু নঙ কৈদৌঙৈদা পূমথা থাদোকপা ঙম্মোই।”

“নঙনা হায়রিবদুগী ৱাপুদি ঐসি নঙগা লৈমিন্নরা ফাওবদা ফৈরেংনবা লম্বীদা চৎকনি, অসিনিনে?”

ঐ তুমিন্না লৈখি, মাসু ঐগুম তুমিন্না লৈখি। মমৈদা মানা হায়রকখি, “অদুই মখাদি?”

“অদুদগী ঐখোয়না শাগৎচরুবা পূম্নমক লোইনা মচেৎ তানা কায়রনিদনা। মদুগুম্বা লাইবক্তু ঐঙোন্দা থোকহনবিগনু। মদু য়াম্না অৱাবগী মশক্লি, শাথীনা তোনবা নেমখ্রবা থাক্লি। ঐবু থাদোকপিয়ু, নফমদা হায়জরি।”

মরু লূকথদুনা ফনা কুইনা প্যারী ফমদুনা লৈখি। মকোক নোনখৎলকপদদি মমায়দু পিনা পূমচোৎ চোৎলম্লে। মেঙলবা খোঞ্জেলদা মানা তপ্পা হায়রকখি, “ঐনা লৈখা তাবদা নঙসু চেন্নহনগনি হায়না নুংসা থিব্রা? নঙনা হায়খিবা অৱাবা লাইবকথীবা পুন্সি হায়রিবদুগী ৱাহন্থোক-মদুরা?”

“নত্তে নঙদি নশাবু লৈখা তাহঞ্জবা ঙম্লোই। ঐবুসু হেন্না ওইহনবা তৌরোই। অদুবু ময়াম্নদি মদু খঙলোই। মখোয়নদি নঙসি মানস পণ্ডিতকী মহৈকোলদা তম্লকপী নুপীমচা রাজলক্ষ্মী ওইনা উরোই, পাটনাগী মমিং চৎপী লমচৎ নাইদবী প্যারী বাইজি অদু ওইনা উগনি। মদু নঙ খাঙবা ঙমগদ্রা?”

“ঐগী অশেংবা পূক্লিং অমসুং ফীভমদি খোয়ুম লাইতনা খঙবিগনি।”

“চুম্মি, অদুবু খোয়ুমদি উবা ফংদবনিনা মহাক্লা শেম্বীরকপা মীশিংদুনা খল্লিবা ৱাখলদু খোয়ুমদুগী ৱাখল মীৎয়েংনি হায়না য়াবা তাই। ঐখোয়না হিংলুরিবা খুন্নাই অদুবু ঐখোয়না লাল্লী হায়না শীংনবা হুন্দোকপা ঙমদে।”

প্যারী মমায় থাঙ্গৎলকখি অদুগা মমাঙঙৈগা মান্নদবা মোমোন মীনোক্তা হায়রকখি, “খুন্নাইনা য়াদবা, ঈন্থোকপা নঙনা কিজে। ঐ মদু খঙঙি। ফরে, চত্তবা য়াদ্রবদি চৎলো। ঐনা নঙবু অমুক খাল্লরোই। অদুবু, মীয়ামগী ৱানা ঐঙোন্দগী হেন্না লূম্না লৌবা - নঙনা ফংজখিবা নত্ত্রগা ফংলক্কদৌরিবা মরুপশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী অথোইবা মরুপ ঐবু মিরাইবদি কৈদৌনুংদা অচুম্বা থবক ওইরোই। নঙগী ৱাখলদু য়ানিংদে অদুগা কৈদৌনুংদসু য়ারোই।”

কাদগী প্যারী থোকখ্রে। ঐনা ঘড়িদা য়েংখৎলুই। খোঙলৈ খরা থুনা চৎলবদি পূং অমগী রেল তোংবা নংখিগনি।

–মথং– মথং

## তেংবানবা তাইবঙপানবা ওইরকপা অমসুং মীতৈ হৌরকপগী ৱারী -১৫

হান্নগী মখা... মমা-মপা, নুপা-নুপী, লাবা-অমোম হায়রিবা পূম্নমক অসি লাই সনামহীনা শেমদুনা মালেম লৈমগী লৈখুন সিয়োমনুংদা কুইনা মতমগী য়াওন শুনা লৈরবা তুংদা মপূং ফারদুনা পোক্লকপা ওইগনিয়ে। অদুগা মালেম লৈমনা সোরারেনগী মতেংগা লোয়ননা য়োক্লকপা ওইগনি নীংজরি। অঙকপনি হে নোংদম্বা মপু-ও। নঙনা শেম্বীবা, য়োকপীবা নত্তনা কনানবু শেমগবা! তাইবঙ মী কনানা হায়বা ঙম্লরোইদবনি লাইনা শেম্বীবনি, পোকপীবনি হায়বা নত্তনা। মরম অদুনা তেংবানবা তাইবঙপান পূম্নমকপু পোকপীবা লাই অহানবা অদু ‘ইপুরোই অপোকপা’ হায়রিবনি। ইপুরোই অপোকপা মানা ‘সনামহী’ ওইখিবনি। অসুক য়াম্বা থৱায় পানবা অচৎপা-চৎতবা পূম্নমক অসিগী ময়োন পৌরোন ওইবা থৱায় ইপুরোই অপোকপা লাই মহাক্লা ওইরিবনি। তাইবঙ থৱায় অসি হৌজিক্কী লৌশিং চাউবা ইবুংঙো-ইবেম্মা তাইবঙ মী কনানসু ওইহনবা ঙমদ্রিবনি। লাই সনামহী মাতনা ওইরিবনি। লাই সনামহী ইবুংঙো মশানা তাইবঙপানবা অচৎ-চৎতা তাইবঙ-মীনচিংবগী নুংদা তোংবীদুনা শান্নরিবা তাইবঙ কুম্মৈনি। তাইবঙ য়ূমথোঙ নিংথৌ ওইবা হায়বসিদি মশানসু শেমজবা, মহাক্লসু শাথৌবা নিংথৌ ওইববুনি। লাই সনামহী মহাক্তি মপোক লৈতবা অহিংবনি। লৈ হায়বদি খঙবা, মশক উবদি ঙমদবা ইপুরোই লাই মশা ওইবনি! নুশিৎসিনা শিৎলি হায়বদি খঙবা মশক্তি উদবা, নুমিৎকী মৈশা মঙালনা ঙাল্লি-শাই হায়বদি খঙবা পায়রুবদি য়াদবা, ঈশিং-নুংশিৎকী মনিলনা হকচাংনুংদা ঈংহল্লিবা ফারুবদি য়াদবা অসিবুনি লাই সনামহী হায়রিবসি। লাই সনামহী ইপুরোই মহাক্তি মপানগী তেংবানবদসু তাইবঙ পানবদসু মানা ময়োন পৌরোন ওইদুনা মশক উদনা শাথৌরিবা লাই অহিংবা শিদবনি, সনা হিয়াই ওইরিবা! মহাক্তি চাউখিবদা তরং লমাং লমজাও অতিয়ানি মপান নাইদবা! পিকখিবদা কুপত্রিক উফুল লৈরিকনি। মরম অসিদগী মীতৈ অহল লাইশিংনা য়ূমগী সন্থোং কাচিন্দা অহাঙবা মফম অমখক্তা খুভম য়াদুনা ‘সনামহী’ লাইফম ওইনা শক্তম থমদুনা ‘অপোকপা’ লাইনি হায়না খুরুমদুনা লাৎনরিবনি। সনামহীরেনগী শক্তম মীওংদা শাবা য়াবা নত্তে। মহাক্তি হিরেননি, মশক লৈতবনি। সনামহীরেননা তোংদুনা নিংথৌ ওইরিবা তাইবঙ মী কনানা ঙাওনা-ফৈনা তরং-মালংদুনা নারবদি মী অদু সনা-মহী লৈত্রে, অখংবা লৈত্রে হায়দুনা মিকোন-থাগোন লোলনা থৱায়-মি কৌদুনা খুরুম্নরিবা অখঙবা কৌবা ‘পাখংবা’ লাইসুনি। মীতৈশিংনা লোয়নবা মপান থোক্লে হায়বসি অখঙবা অওইবা ৱাখল মাঙখ্রবা অদুবুনি সনামহী অখঙবা লৈত্রে হায়নরিবসি। মীতৈ লৈবাক চীংমী-তম্মীনা লোইবা লাই সনামহী লৈতারকপসিদি ওন্থোকনা কুইখ্রে। পামহৈবা নিংথৌগী মতমদগী ঙসি ফাওবনি। সনামহী লাইনিংথৌদি তাইবঙ মীগী থৱায় শাথৌবা ওইদুনা তাইবঙ হকচাং নুংগী কোক লেম্ফু কাচিন অথুপ্পদা লৈবীদুনা, লাইপক্তা সনা-মঙাল ফুদোক্তুনা লৈবিরিবা লাই সনা-মহীরেন শিদবনি। মপানথোংদা য়ূমগী সনামহী কাচিন্দা ঈংনা চিক্লা খুভম মফমতমক থমদুনা লাৎনরিবা মীতৈগী লাই অথোইবা সনামহীনি। মশক-মশা শাবা য়াবা লাই নত্তে। অসুক লুনা লাৎনখ্রবা লাইবু মী মান্না শক্তম শারগা মপান্দা পুথোক্তুনা লাৎনরকপা অসিদি লাই লৈত্রবনি। তাইবঙনুংদা তোংদুনা শাথৌরিবা লাই সনামহীরেন শিদববু করম্বা মোন্দ্রং তৌবা অখঙশাবশিংনা তাইবঙ মীওংদা শাদুনা পুথোরক্লিবা? ইপা তোমচৌগী মশকলা, ইমা ইবেনিগী মশকলা?

*-নিংঙোম্বম অমর (সিলহেনবা)*